# কবুলগী গভর্ণমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা পোকখায়বদা মীওই ১২ শিরে, ৩১ অশোক-অপন নংখ্রে



কাবুল, জুন ১১ (এজেন্সী)ঃ
অফঘানিস্টানগী কোনুং কাবুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা গভর্ণমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা মশা শিজদুনা বোক পোখায়হল্লকখিবগী থৌদোক্তগা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিরে অদুগা ৩১ হেনবনা অশোক- অপন নংখ্রে।

ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপী অমসুং অঙাং কয়া য়াওরি। রামজানগী মতম অসিদা লৈঙাক্কী রুরেল রিহেবিলিটেসন এন্দ দিভলপমেন্ট ওফিসতা ঙসি মশা শিজদুনা মপাঙ্গল লৈবা বোম অমা পোকখায়হল্লকখি। দিপার্টমেন্ট অদুগী থৌমীশিংদা অতম্ননা এটেক অদু চথুরকখিবা ওইগনি হায়রি।

টালিবানশিংনা লৈঙাক্না মতম খরগী ওইবা অমসুং অহানবা ওইনা সিজফায়র তৌনবা য়াখিবা নুমীৎ নীনিগী মতুংদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মিলিটেন্টশিংনা বোম অদু পোকখায়হন্দুনা রুরেল রিহেবিলিটেসন এন্দ দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী থৌমীশিংদা টার্গেট তৌখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে হায়রি।

লৈঙাক্কী পাউ মতুংইন্না মুস্লিমশিংগী শেংলবা ইদ কুম্মৈগা মরী লৈননা সিজফায়র তৌননবা শেম-শারিঙৈ চৈরক্তা তমথিবা এটেক অদু চথুরকখিবনি। নুমীৎ হুম্নীখক্তা ঙাইরবা ইদ কুম্মৈগী য়েংলগা লৈঙাক্না নাকল নাম্মাগী ওইবা সিজফায়র লাউথোকখি। মদুগী মতুং অফঘান টালিবানশিংনা লৈঙাক্কী ৱাফম অদু য়াবগা লোয়ননা সিজফায়র তৌগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবনি। টালিবানশিংগা সিজফায়র তৌনরবসু ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা মখা তানা ওপরেসন চথুখিগনি হায়না লৈঙাক্না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা নত্তনা ঙসি জলালাবাদ হায়না খঙনবা নোংপোক থংবা সিটিদা লৈবা প্রোভিন্সিএল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট বিল্ডিংদসু এটেক চথুরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোকখ্রে। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদি লূপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়রি।

হৌখিবা থাশিংদা ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অফঘান টালিবানশিংনা কাবুলদা মীশি-মীনা কয়া থোকহনবা এটেক কয়া চথুরকখিবা লৈখ্রে। চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা লৈবাক অদুগী কোনুং কাবুলদা লৈবা চিয়া স্রাইনদা বোম এটেক চথুরক্তুনা মীওই ৩০ শিহনখ্রে। অদুগা মমাঙ থাদা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক চথুরিঙৈদা বোম পোকখায়হল্লক্তুনা মীওই ৭০ শিহনখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

অদুগুম্বা এটেকশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা চথুখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রবনি। পাউগী লিখুন অসিগী মতুংইন্না অফঘানিস্টানগী মফম চাদা ৭০ দি টালিবানশিং মপাঙ্গল কন্না লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা অফঘানিষ্টান্দা মীশি-মীনাগী থৌদোক কয়া থোক্লি হায়রি।

# সিরিয়াগী ইদলিবতা রসিয়ানা এয়র ষ্ট্রাইক চথুখিবগী থৌদোক থিগৎনবা খঙহনখ্রে



দমাস্কস, জুন ১১ (এজেন্সী)ঃ
রসিয়াগী জেটশিংনা মমাঙ চয়োলদা সিরিয়াদা অকনবা মওংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথুখিবগী থৌদোক থিগৎনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেলনা খঙহনখ্রে।

সিরিয়াগী জর্দানাদা চথুরকখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদুনা চৎলিবা চহী অসিগী মী খ্বাইদগী শিহনবা থৌদোক অমা ওইখি। জর্দানা হায়না খঙনবা ইদলিবকী সিটি অদুদা হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা এয়র ষ্ট্রাইক চথুরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৭ শিখি অদুগা মীওই কয়ানা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুবু হকচিন্না লৌই হায়না এন্টোনিও গুটেরেসনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মী কনবগী থবক তৌবা মীওই কয়াসু য়াওরি। মখোয়দা কাঙলোন চুমদবা মওংদা এটেক চথুরকখিবনি হায়না মরাল শিরি। সিরিয়াদা চহী কয়া সিবিল ৱার থোক্তুনা মীশি-মীনা কয়া নংখিবা অমসুং রিবেলশিংবু থেংননবা হোৎনবদা রসিয়ানা সিরিয়া লৈঙাকপু শৌগৎতুনা লাক্লি। রিবেলশিংনা খুদুম চনবা ইদলিবকী অৱাংথংবা প্রোভিন্সকী শরুক অমা ওইরিবা জর্দানাদা চথুখিবা এটেক অদু খ্বাইদগী মী মশিং য়াম্না শিহনবা অমা ওইখি। অদুগুম্বা থৌদোক অদু মীওইবগী হক্তগা শিংনরকপা অমনি হায়না সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

ওবজার্ভেটরিগী ৱারোল মতুংইন্না তমথিবা থৌদোক অদুদা নুপী অমসুং অঙাং ১১ য়াওনা মীওই ৫১ শিখি হায়না ফোঙদোরক্লি। ইদলিব প্রোভিন্সকী জর্দানাদা লৈখিদবা মীচমশিংগী হকচাং মী কনবা কাঙবুনা লৌথোকপা ঙমখ্রে। কিন্তুখ্রবা অমদি অতেক-অকায় নংলবা বিল্ডিং কয়াদগী অশিবা হকচাং কয়া লৌথোকখি। সিরিয়া সিবিল দিফেন্সকী পাউ মতুংইন্নদি থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ৪৭ নি হায়রি।

লৈঙাক্কী হ্বাইট হেলমেট হায়না খঙনবা মী কনবা কাঙবুনা মফম অদুদগী মীওই কয়া ফংবা ঙমখি। মখোয়গী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈখিদবা মীগী মশিং ৪৭ নি হায়রি। অতোপ্পা পাউগী লীখুন অমগী মতুংইন্না ইদলিবকী জর্দানাদা মী কনবা অমসুং পেরামেদিক্কী লমদা থবক তৌবা মীওইশিংদা অতম্ননা মিসাইল কাপশিল্লকপদা পার্সনেল অমা শিখি অদুগা মরিনা অশোক অপন নংখি হায়রি।

লমদম অদুদা অহানবা ওইনা এয়র ষ্ট্রাইক চথুরকখিবা অদুদা অকায়-অতোয় নংলবা বিল্ডিংশিংগী মরক্তা মীওই কয়া থোকপা য়াদনা লৈখি। হ্বাইট হেলমেট অমসুং সিরিয়ান ওবজার্ভেটরিনা ফোঙদোকখিবদা, এয়র ষ্ট্রাইক অদু রসিয়াগী লানগী প্লেনশিংনা চথুবা ওইগনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনদি মখোয়গী এয়রক্রাফ্‌টশিং অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা চেন্নদে। জর্দানাদা রিবেল ফাইটর অমসুং অল কাইদাগা শম্নবা জিহাদিসশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নরিবনি হায়খি।

# ইরাক মীখল : বাগদাদতা লৈবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাউবা বেল্লোট পৈফম মৈ চাকখ্রে



বাগদাদ, জুন ১১ (এজেন্সী)ঃ
ইরাক্কী মীখল অমুক হন্না ভোট মশিং থিননবা য়াথং পীরকখিবা নোংমগী মতুংদা লৈবাক অদুগী কোনুং বাগদাদতা লৈবা খ্বাইদগী চাউবা বেল্লোট পৈফম মৈ চাকখ্রে।

ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না মশিং থিখ্রবা বেল্লোটশিং অদু ৱায়র হাউস অমদা থম্বনি। থৌদোক অদুদা বেল্লোট বোক্স খরদি মৈ চাকখ্রে। অদুম ওইনমক অয়াম্বা শরুক্তি অশোয়-অঙাম য়াওদনা কন্বা ঙমহৌরে হায়রি।

ইরাক্তা হন্দক পাঙথোকখিবা লেজিসলেটিব মীখলদা সিয়া মুস্লিম ক্লারিক মোক্তাদানা লুচিংবা কাঙবুনা মায় পাকখিবনি। মীখল অদু চয়েৎনবা কয়া থোরকপগা লোয়ননা ইরাক পার্লিয়ামেন্টনা অমুক হন্না ভোট মশিং থিননবা য়াথং পীখিবনি। মীওই মিলিয়ন ১০ না ভোট থাদনখিবা অমসুং ভোট মশিং থিবগী থৌওংশিং অদুদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্ল রকপদগী পার্লিয়ামেন্টনা ৱাফম অদু খঙহনখিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, বেল্লোট থম্বা ৱায়র হাউস মরিগী মনুংদা অমা মৈ চাকখ্রে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। অদুম ওইনমক ইরাক ওথোরিটিনদি মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াদ্রি হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল অবাদিনা সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংদা তম্বা ঙমদবা ফীভম কয়া থোক্লকপা য়াই। মরম অদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখিবা লৈখি হায়রি।

লৈবাক অদুদা অহানবা ওইনা শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন অদুনা হন্দক্কী মীখল অসিদা মরুওইবা ইস্যু অমা ওইহল্লি। মে ১২ দা অহানবা ওইনা মেছিনশিং অদু শীজিন্নখি। মৈ চাকখিবগী থৌদোক অদু শেম-শাদুনা মাঙহন্নবা হোৎনবা ওইবা য়াই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

ইরাক লৈঙাক্না তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎতুনা মথৌদা পূক্লিং চঙদবা সিক্যুরিটিশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়খ্রে। ইরাক পার্লিয়ামেন্টকী হান্নগী স্পিকরনা হায়, মৈ চাকখিবা অদুনা মীখল অদু অমুক হনবগী ফীভম অমদা লাকপা য়াই হায়রি। মমাঙ থাদা ফম তাখ্রবা হান্নগী স্পিকর সলিম অল জাবৌরিনা মখা তানা হায়, মৈ চাকখিবগী থৌদোক অদু অতম্ননা চথুখিবা ক্রাইম অমা ওইগনি। মীখলদা শেমদোক-শেমজিন অমসুং অরানবা লোৎশিন্নবগীদমক ক্রাইম অদু চথুখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

# য়ু এসনা মালেমগী খ্বাইদগী য়াংবা সুপর কম্প্যুটর শাখ্রে



ৱাশিংতন, জুন ১১ (এজেন্সী)ঃ
য়ু এসনা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী য়াংবা সুপর কম্প্যুটর শাখ্রে। অনৌবা কম্প্যুটর অদুনা মালেমগী হৌজিক লৈরিবা কম্প্যুটরশিংদগী শরুক অনী হেন্না মপাঙ্গল লৈ। সেকেন্দ অমদা কম্প্যুটর অদুনা ট্রিলিয়ন ২,০০,০০০ প্রোসেস তৌবা ঙম্মী হায়রি।

চাইনাগী সনয়ে টাইহু লাইট সুপর কম্প্যুটরনা মালেমগী খ্বাইদগী য়াংবা কম্প্যুটর ওইনা লৌনরম্মী। হায়রিবা কম্প্যুটর অদুনা পেটাফ্লোপ ৯৩ সেকেন্দ অমদা প্রোসেস তৌবা ঙম্মী হায়রি।

আই বি এম অমসুং এনভিদিয়ানা ওক রিজ নেসনল লেবরেটরিদা কম্প্যুটর অদু শেম-শাখিবনি। সুপর কম্প্যুটর অদু মওং অমা ওইনা চাউই। তুংদদি হেন্না মপাঙ্গল হেনগৎহনবা অমসুং অখন্নবা কালকুলেসন কয়া তৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি হায়রি।

সুম্মিট হায়না খঙনবা সুপর কম্প্যুটর অদুদা কম্প্যুটর সাইবর ৪৬০৮ য়াওই। অদুগা পেটাবাইক ১০ গী মেমোরি লৈ হায়রি। ওক রিজ নেসনল লেবরেটরি (ওল আর এন এল) গী দিরেক্টর ডা. থোমাস জাচারিয়ানা হায়, সুপর কম্প্যুটর অদু জুন ৮ দা লোঞ্চ তৌখি। অদুগুম্বা সুম্মিট হায়না খঙনরবা সুপর কম্প্যুটর অদু জেনোমিক কোদ কম্পরেটিবগী লমদা শীজিন্নবা হৌখ্রবনি। মদুগীদমক অখন্নবা শেম-শাখিবনি হায়রি।

কুমজা ২০১৭ তা মালেমগী ওইনা মকোক থোংবা সুপর কম্প্যুটর পুথোকখিবগী রেকোর্দ কয়া লৈ। খ্বাইদগী য়াংবা মখলগী কম্প্যুটর কয়া মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শীজিন্নরি। য়ু এসতা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী য়াংবনি হায়বা মমাঙদা শীজিন্নরম্বা কম্প্যুটর ১৪৩ লৈ। অদুগা চাইনাদনা ২০২ লৈখি। অদুম ওইনমক নৌনা পুথোক্লবা সুপর কম্প্যুটর অসিনা হান্না লৈরবা খ্বাইদগী য়াংবনি হায়না লৌনরম্বা কম্প্যুটর-শিংনা তৌবা ঙম্বা থবকশিং অদুদগী শরুক অনী হেন্না য়াংনা মথৌ তৌবা ঙম্মী হায়রি। টাইটান সুপর কম্প্যুটরদি হৌজিক খ্বাইদগী য়াংবা কম্প্যুটরশিংগী মথং মনাও য়েংবদা মঙাশুবদা লৈরগনি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শানবগী থৌশিল হান্না খল্লম্বা চাংদগী হেন্না খুম্মাং চাউশিন্না চঙশিল্লি



ৱাশিংতন, জুন ১১ (এজেন্সী)ঃ
নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শাননবা থৌশিল হান্না খনখিবা চাংদগী হেন্না খুম্মাং চাউশিন্না চঙশিল্লি হায়না সিঙ্গাপুর সম্মিটগী মাঙওইননা য়ু এসনা ফোঙদোরক্লি।

সিঙ্গাপুরদা ত্রম্প অমসুং কিম উনগদবা অদুগী মাঙওইননা ওফিসল-শিংগী ওইবা মীফম পাঙথোকখ্রে। হ্বাইট হাউসনা কনফার্ম তৌরে মদুদি, দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন হকথেংননা ৱারী শানরগনি। ৱারী শানবা অদুদা ট্রান্সলেটর অমা য়াওগনি হায়রি।

মীফম অদু য়াওননবগীদমক প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প ঙরাং নুমীদাংৱাইরম সিঙ্গাপুরগীদমক ৱাশিংতন থাদোকখ্রে। য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম পিওনা ফোঙদোরকখিবদা, নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় থাদোক্লবা ওফর পীরকপা য়াই হায়বগী থাজবা থল্লি। য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াবু মপুং ফানা ন্যুক্লিয়ার থাদোকহনবা হায়বসি নত্তনা মখোয়দদি করিসু অপাম্বা লৈতে হায়খি।

সিঙ্গাপুর মীফমগী মাঙওইননা সিঙ্গাপুরগী ফোরেন মিনিষ্টর ভিভিয়ান বলাকৃষ্ণননা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট কিম জোং উনগা তোঙান তোঙান উনখ্রে। লুচিংবা অনীনা মীফম অদুদা মীৎয়েং থল্লি। লোয়ননা চপ চাবা থাজবসু ফোঙদোক্লি হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম সিঙ্গাপুরগী তোঙান তোঙানবা হোটেলশিংদা লৈরি। অদুম ওইনমক হোটেলশিং অদু পংলাপ লাপ্না লৈনবদি নত্তে। সিঙ্গাপুরগী খ্বাইদগী মমিং চৎলবা অমসুং লম কোয়বশিংগী খ্বাইদগী মীৎয়েং চিংশিনফম ওইবা ঈথৎ অমদা লৈবা সেন্টোসা হোটেলদা হয়েং লুচিংবা অনী অদু উনরগনি।

মীফম মাঙওইননা য়ু এসকী লুচিংবা দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়, নিংথৌকাবা নুমীৎতা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি খনবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি। সিঙ্গাপুরগী ফোরেন মিনিষ্টর বলাকৃষ্ণননা হায়, নোর্থ কোরিয়াগী দেলিগেসনশিং লৈননবা মফম অমসুং অচংবা পুম্নমক সিঙ্গাপুরনা পীরে হায়খি।

য়ু এসকী মকোক থোংবা ওফিসল মাইক পোম পিওগী মতুংইন্না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হয়েং কিম জোং উন উননবা চপ চানা শেম শারি। য়ু এসনা পাল্লিবা অদু নত্তনা অতৈদি থোইদোকপা অপাম্বা লৈতে। নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় থাদোক্তুনা কোরিয়ান পেনিনসুলাদা তং তাবা ফীভম অমা লৈহন্নবা থৌশিল পায়খৎলক্কনি থাজে। অমুক হন্না ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই পায়খৎতনবা থৌশিলসু চথগনি থাজে হায়রি।


## ꯄꯥꯡꯖꯤ/পাঞ্জি তম্বা হৌরগনি

(১৫শুবা বেটচ)

থা ৮ (নিপান) গী পাঞ্জি তম্বা তাং ২৪/০৬/২০১৮ ইং, নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌরগনি। কুঠি ইবা (গনিত) অমসুং ফল য়েংবা (ফলিত) গী শরুক য়াম্না কৃপ্না নৈনগনি। জ্যোতিষ শাস্ত্রদা থৱায় য়াওবিবা অমসুং পান্মীবশিংনা লায়না অমদি থুনা পাঞ্জি হৈবীয়ু।

১। তম্বগী নুমিৎ : নোংমাইজিং (নুমিৎখক্তদা তম্বা)
নুংথিল পুং ১.০০দগী পুং ৪.০০ ফাওবা
২। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম : তাং ১৭/৬/২০১৮ ইং

*Sd/- Secretary*
**The Astrological Coaching Centre,**
**Uripok Yambem Leikai, Imphal**
HL-P/1615/12 **(Sakhi Devi G/H School গা তাইনবা) # 7630957412**

## ꯀꯨꯛ/কুক পামজৈ

অথুবা মতমদা চাক এঙ্গাং ফজনা থোংবা হৈরবা নীপা অমা পামজৈ। লৈফম অমদি চাবা ফ্রী ওইগনি। থাগী তলব লুপা ৪৫০০/- ওইগনি।
মফম : ময়াং ইম্ফাল

**Contact No. 9862767175**
**OR, 7005816711**
HL-P/1614/12

## EMPLOYMENT

**1. WANTED OFFICE STAFF AGENT**

Regular job for the Staff agent in Manipur
Min Qua :- VIII Pass ,Age :- 18 to 38 years, No of Post-58 both male/fem
Monthly Salary :- Rs-13,000 to 25,600 + Travelling incentive.



( AIR HOSTESS REGULAR JOB )
Min Qua :- XII, Age : 17 to 30 years.
Become a Cabin Staff within 60 Days only
Monthly Salary :- Rs-25,000 to 67,000.
Immadiately Joining for Selected Candidate
*Job for Domestic & Internaltional Airport within India. Accommodation provided



NO DEPOSIT **SL NO-4 MERCHANT NAVY JOB IN INDIA & ABROAD** NO DEPOSIT
( Freshers and experienced seafarer can apply.)
i) Deck Officer , Engine Crew, Seaman, G.P. Rating & D.N.S Cadet
Salary: ₹30,000.00 to ₹80,000.00 /month Qualification :- X to Graduate.

For Detail Just Contact us at :-
OFFICE OF THE
Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazar, Airport Road-Imphal.
Helpline no :-8974975286

HL-B/4677/2/6-30/7(Alt.)




**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL**
**D.M. COLLEGE OF TEACHER EDUCATION, IMPHAL**
**ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ/B.ED. ADMISSION NOTICE**
Imphal, the 11th June, 2018

**No. 301/1/09-TE :** Prospectus and application form for admission to B.Ed. in the D.M. College of Teacher Education, Imphal for the session 2018-20 can be had from the College office during office hours from 14/06/2018 onwards. Details can be had from the College Office/Notice Board and College website *www.dmcte.co.in*

*Sd/-* **Dr. H. Ibomcha Sharma**
**Principal**
HL-P/1613/12 **D.M. College of Teacher Education, Imphal**

## ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেম্ব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9612225582**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**
HL-B/4629/17/5-16/06



**OFFICE OF THE**
**MANIPUR URBAN DEVELOPMENT AGENCY (MUDA)**
**PDA BUILDING COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL**
**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ/NOTIFICATION**
Imphal, the 11th June, 2018

**No. 1/28/2018-MUDA :** In pursuance of this office's notification of even number dated 8th February, 2018, it is hereby informed to all concerned that the written test for the post of establishment of State Level Technical Cell (SLTC) and City Level Technical Cell (CLTC) under the Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban) in Manipur Urban Development Agency (MUDA) will be held on 17/06/2018 (Sunday). Admit cards for the Written Test will be issued w.e.f 13th to 15th June, 2018 from the office of MUDA during office hours.

*Sd/-* **N. Gitkumar Singh**
**Member Secretary,**
**Manipur Urban Development Agency (MUDA),**
**Imphal**
HL-P/1620/12

## SMART HOSTEL

**SINGJAMEI SUPER MARKET**
*(Seperated Boys & Girls)*

**ADMISSION OPEN**
**(CLASS VI TO XII & COLLEGE)**

| FACILITIES | FREE ADMISSION |
|---|---|
| ➢ 24/7 Power Supply | NO DEPOSITED |
| ➢ 24/7 Hygienic Water | ₹ 3500 p/m only |
| ➢ Homely Care Food | |
| ➢ Auto, Magic, Bus Parking Front of Hostel | 40 BEDS ONLY |
| ➢ Spoken English & Coaching All Subjects | |
| ➢ Urgent Medical Facilities Front of Hostel | |
| ➢ Van Service available. | |

HL-P/1303/15/5-12/7 (Alt.) **Contact No. ☎ 8730999192**

## ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
**ADMISSION OPEN** **Foundation Course for Class III to X**
**Starts from 7th June 2018** **Time - 4:30 pm to 7:30 pm** ***Limited Seat***



TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M. D/o. M. Humeshwar & R.K.; 4th Position Rozaria Th. D/o. Th.Joychandra &; 4th Position Khushi Kh. D/o. Kh. Rakesh & Rita Devi; 6th Position Micheal A. S/o. A Hemanta & Ranjana Devi; 8th Position Bideli Devi D/o. A. Deben & M. Bimola Devi; 9th Position Md. Swadique S/o. Md. Mujibur Rh & Mrs. Sakila; 9th Position Robinson Kh. S/o. Iboyaima Kh. & Y. Renubala Devi; 9th Position Russel Ch. S/o. Johnson Ch.; 13th Position Th. Yaiphabi D/o. Bhagat Th.
14th Position Siddhant W. S/o. W. Nabakumar; 15th Position Neelima N. D/o. N. Surjit Singh; 17th Position Krishnand L. S/o. L. Robindro; 20th Position K. Hennae D/o. K. Debadutta; 21st Position M. Thoibisana D/o. M. Bimol; 21st Position Tina Th. D/o. Shaphaba; 21st Position R.K. Kebisana D/o. R.K. Deepak; 22nd Position Guigaingam K. S/o. Titus Kamei; 23rd Position Ng. Babyka D/o. Ng. Bikramjit; 23rd Position Meghila T. D/o. T. Meghachandra

TOPPERS of 2016
1st Position Sohana Laishram; 2nd Position Naorem Suzanna; 3rd Position M. Vasundhara; 8th Position Wosoron C; 9th Position Sindia A; 10th Position Yaisana A; 10th Position Chetanna RK; 11th Position Selina K; 12th Position Malemnganbi Kh; 12th Position Joyson Haokip; 14 Position Jessica L; 15 Position Tanya G; 16 Position Ningthem H; 20 Position Eunice Y; 21st Position Th. Krishnakant; 22nd Position Sylvest K; 23rd Position Reeturani L; 23rd Position K. Ghanapyari; 24th Position Themson Saka; 25th Position Taibanganbi Kh

**BOARDING FOR BOYS & GIRLS**

Pliz Contact : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 **VAN AVAILABLE**

HL-B/4592/29/5-28/6